## ৱারী মচা

# থা–নঙমদ্রবা মরুপ

*করুনা লাইশ্রম*

নুপী ওইবীগী পুন্সি হায়বসিমক্তবু খোঙথাং খুদিং তিংখংমক নত্ত্রবসু শম্বলদি শম্বলগী শম্বল ঙাক্তা। থমোয় মকা লান্না নোকথোকচবা ফাওবা মতম খজিক চাখিদ্রবদি হেক্তা মহায়বী নুপীনবু অদুম নোকপ্রা। অশুন্না হায়বীবসিদি মরম খুদিংমক্তনি–অদুন্না চৎপ্রা, অদুন্না ঙাংব্রা, অদুন্না তৌবা হৌনব্রা? নুপী হায়বা ৱাহৈসি পল্লগা ঙাংবী–চৈবীবগী অথিংবা শম্বল ঙাক্তা!

নুপী ঐখোয়গা নুপা ওইবশিংগা কয়াদা খেন্নখ্রবা! খঙন–চান্নজবা, লোয়নজবা নুপাগা মচৎমীন্নরুরে, মীৎতাফম ওইদুনা করেম্নবীরিবসি নুপীদনি নুপাশিংদুদা নত্তে। ময়ামসিমক্নসু ওইবা তাই নুপী ওইবী ঐখোয়গী পুন্সি অমমমদা থেংনরকপা থৌদৌ অয়াম্বদি মীনা করি হায়বীখিনি – ঙাংনবীখিনি হায়বগুম্বা ঙাক্তনা য়াল্লিবসি।

অথিংবা শম্বল ময়াম লৈদুনসু, ঐগা হন্দক মরক, নত্তে হৌখিবা চহি অমরোমদগী হায়বা তাই, শকখঙ মায়খঙনরক্তুনা, ইপুক্লিংনা হেক খোয়দাজবা হায়বদু ওইদুনা লোয়নজরক্লিবা মরুপসিমদি, ঐ থাদোকপা পাক হেক ঙমগনি থাজদ্রে। মাগা উনদুনা অহানবা শকখঙ মায়খঙনরকখিবদুগী মীৎকুপশিংদুসু ইপুন্সিসিদা কাউঙমগনি থাজদ্রে। মীৎকুপশিংদুদগী ঙসি ফাওবদদি মাবু ঐনা তশেংনা খোয়দাজরে। পুন্সিগী থা–নঙম্লরোইদৌবা খোঙবুরোই অমনি লৌজরে।

মাগা অহানবা শকখঙনখিবা মফমদো, ঐখোয়গী কোলেজ কেম্পসতনি। ক্লাস লৈতবা তাঞ্জা থোকখিবা মতাংনি। কোলেজগী নোংচুপ থংবা লম্পাক্কী চুথেক ওইরপ্না হৌরিবা মনা পুংবা অৱাংবা হৈনৌ পাম্বীগী মখোঙবু ইকোই কোইশিনবগুম হৌরিবা জুবাকুশুম মরক্তনি। শকখঙনবী ইমান্নবী অমা অনীগা, শকখঙনবা ইমান্নবা অমা অনীগা পূন্না ফম্মীন্নরম্বনি। ঐদি মখোয়বু উরুদবনি, মখোয়গী মরক্তগী অমনা হৌগত্তুনা ঐবু কৌশিনবীরকখিবনি– 'শোমদা ফম্মীন্নসি লাও?''

ঐ করি থোইদোকপা খল্লুদে, ইখোঙদি মখোয়রোম পাঙনা থাংজিনখি। মখোয়গী মনাক য়ৌরকান্দতা উরকই, অহানবা শকখঙনগদৌরিবা মরুপতুনা মখোয়গী মরক্তা নোক–খেনা, অমদা অমুক থেং, অমদা অমুক ঙা তোৎন তিন্ন লৈরম্বদু। মাগী মতৌদুনা ঐদি ইহৈ হৈনিংদবা, ইকাই–নুংশি য়ান্নবা, শাওনিংবা, নুংশিদবা, তুককৎচবা কয়া থমোয়দা ফাওরকখি। অদুবু মরুপশিংদুনা ঐবু কৌশিল্লি– ''হঙ্গোইরুনু লাওনে, য়ান্না পুকচেল চাওবা, মীগী অৱাবা খঙবীবা মরুপনি শকখঙনরুরাও।

অহানবদা ঐদি তশেংনা য়াজনিংখিদবনী। অদুবু মখোয়না – ''নখুত্তা ওইরবসু শোক্লৌ কৈদৌগে, মাগা শন্নবদা নমিং ওল্লনি হায়বা লৈব্রাও, ঐখোয় ময়ামদি শকখঙনবদদি কয়াদা নুঙাইনা মতমসি লেপ্লিবনো হায়বদু নহাক উরেদনা?'' হায়না ঐবু তকশিল্লকই। অদুগা ইমাঙদা তৌগে মতাগুম, ইমান্নবী অমনা মাবু নুংশিনা চুপ্পী, মাসু ঐঙোন্দা য়েংলকপগুম মোমোন নোক্লকপদৌনা মমায়দু পুন্নং হেক লংথোরকখি।

ঐনা য়াজনিংখিদবগী ৱাতনি, ইমান্নবী–ইমান্নবশিংদুনা মাগা খঙদদি খঙনৌদা তকশিনমল্লকখিবদগী ঐগা মাগা খূৎ শোক্লখি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা মাগীদি হৌনবীনি হায়মনবদগী চিনবানা চিনবান থেংনখি। ঐ হৈনখিদে কমদৌনি, মাগী নুংশিবা নত্ত্রগা নমথীবা হায়গদ্রা মনন্না হকচাং পূম্বদা কুপশিন্দুনা চুশিনখিবগুম ফাওখি। অতৈ ইমান্নবী–ইমান্নবশিংদু খঙহন্দনা মীৎকুপতুদা ঐনা লোন্না খঞ্জখিবদি– মসিদগীদি অমুক হন্না উনজররোই, শকখঙনজররোই, পুন্সিসিমগী। অদুবু মতুং তারকপা কোলেজ কেম্পসকী পুন্সিনা মঙোন্দগী লাপথোক্লকখিবগী মহুত্তা হেন্না হেন্না নকশিঞ্জনবগী মওংদদুম লাকখি।

ইমান্নবী ইমান্নবশিংদুগী থৌইনশিনসু অঙকপনি। হঙ্গোইনা লাপথোক্লিংলম্বা মহাক্তো নোংম–নোংমগী ঐগা নকশিন্নরকখিবা খঙহৌদে। ঙসিদি মহাকসে ঐগী ৱাখল–পূক্লিংদতা নত্তনা ঐগী হকচাং কায়াৎশিংসু মতম চুপ্পদা থাগোন্নজনিংবা থা–দোকঙমদবা মরুপ হায়বদুমক ওইরে।

হৌজিক লুরক্লিবা ৱাফমদি, নুপী ওইবী কৌবীনিনা মাগ–ঐগা মীমাঙ পুমাঙ নাইদনা পংলোই–লোইনবা হায়বদুমদি ঐ ঙমদ্রে, ঙম্লকখিনি হায়বগী থাজবসু খরা ৱাৎলি। করিনা মাদি নুপী ওইবীশিংগা লোয়নবদা মীয়ান্না ইনথি–নুঙাইনা হায়নবীদবা মীদা অমা ওইরম্লে। মসিদনি ঐনা ঙসিগী সমাজসিদা হেক লাওনিংলক্লিবসে–নুপাশিংনা তৌরগনা হেক মরেন্নে খন্নবীবা, নুপীশিংনা তৌরগনা হেক মীনোক্লবীবা করম্বা চৎনবীনো, করিগীনো নুপীগা নুপাগা অনীগী মরক্তা অশুক খেন্নবা থম্বীরিবা।''

অদুবু লাওরুবা ঙমদে নিংজবতা মঙাই। অমরোমদা মানা ঐবু ঙাইদুনা মচি খুদিং মতম খুদিং ঐবু ঙাইদুনা মোমোন নোক্তুনা লৈরম্বসিনা ঐবু হেন্না–হেন্না ঙাওহল্লি। মানা ঙল্লিবু ঐগী য়ুমগী ইপা, ইখুরা ইতোন, ইবুংশিংগী মনাক্তা লৈশিন্দুনা ঐবু ঙাইরিবা শাদনা, মখোয়গা তোরো খোইদান্না হেক্তসু লৈরম্লিবসিনী। ঐদি মাবু লোন্না চাক্লা য়েংজবা নত্তনা করি উপাই লৈখিদে। মদুগী খাংঙমখিদবা মৈচাকশিংদো কোকহনবা ওইনা মা–ঐ কনা উদা অচিকপদা থমোয়–থমোয় শিন্ননা নুংশি পাওমেন্নজবগী তাঞ্জা ফংদববুদি নত্তে। অদুদা লুরিবদি মাগা ঐগা মীমাঙ থোক্লা উনবা লোয়নজবা ফংজদবগী খাংঙমদবা মৈচাকসি নোংম–নোংমগী অশুম–অশুম হেনগৎলক্লিবসিনী।

ঙৱাংদো ইয়ুম থাদোক্তুনা, খজিক্তঃং লাপথোক্লক্লবা খুঙ্গঙসিদা লৈবা ইনেগী য়ুমদা, লাইতিনগী ওইবা উসব অমখক্কি থবক নোম্বা য়াওনবা লাকখিবনি। ইনেগী য়ুমদা নুপী তাংই, ইনেখক্তনি, মচানুপাদি য়াম্মী, ইনাক কৈরাক খুল্লি, অচৌবা য়ুম লৈ, কা য়াম্মী। ঐনা চৎখিবদুদা মখোয়না হরাউখিবসি। ঐনা লৈনবা তোঙান্না থোঙ পানবা অচৌবা কা অমদা লু–নান্না ফমুংনচিংবা শেম্বী, মাম্মনা চানবা ঙানচিংবা কোইচেন চেন্দুনা শিনবী। চৈরত্তুদা ঐদি ঐগী থাদোকঙমদ্রবা মরুপতুবু নিংশিংলক্লী অশুম–অশুম। মাগা কায়নবগুম নিংলক্লবা থমোয়সে পুঙল্লকখিদে, ঐগী হকচাং পূম্বা মাগী নুংশিবা মীৎয়েংগী ঈখৌ হেন্না লাংলকখি। অদুবু ঐগী থা–নঙদ্রবা মহাকসু অরাইবদি নত্তে, ঐনা ঙসাই ইনেখোয়গী থোঙ্গাল চংলমদায়দা, লৈরক ৱাংমা মায়োক্লবা মায়কৈদা লৈহৌবা পান দুকান্দা মহাক্তো ঐবু ঙাইরম্বগুম মোমোন নোক্তুনা লেপহৌবনি। মানা থুংদবা মফমসি ঐগীদমক্তা লৈতবনি হায়বা তাই। ঐ মাবু হেন্না নুংশিরকই, হেন্না খৌরাংলকই।

নুমিদাংনি, চাক ঈশিং চানগদৌরে। থোঙ্গাল ৱাংমগী পানদুকান্দা মোমোন নোক্লা ঐবু ঙাইহৌবা মরুপতো ইকাই ইকী ৱাংম লান্না, ঐগী তুমফম কা ফাওবদংদি কনা খঙহন–উহন্দনা করম পুশিনশিগে মওন–মওন খল্লকখিবনি। ফনা তারে। থোঙ্গাল চংফমগী পুখ্রিদা ঈশিং শোকপগী নামাদা ঐ, চাকখুমদা চাক থিরিবী ইনেদা হায়রন্নগা, মামগী টোর্চ লাইট পাইদুনা বালতিন পুদুনা থোরকখি। মামনদি অঙাংশিং শোকহল্লু নত্ত্রগা লেপহল্লু ফনা হায়হৌবনি, ঐনা মায় মীৎসু তাথোক্লক্লগে হায়দুনা ইথন্তা পরপ পরপ থোরকখিবনি।

থোরকপগা পুখ্রি মপান চংলমদনা চুমদ্রিং মায়োক্লরিবা পানদুকান তমখি। মাসু ঐবু ঙাইদুনা লৈরম্মী। ইকাই–ইকী হুন্দোক্তুনা, মাবু মাম্মনা উননিংই হায়দুনা কৌশিল্লুই। হরাউনা য়ারকখি। ঐখোয় অনী চংমীন্নরক্তুনা পুখ্রিদগী ঈশিং শোকমীন্নরগা, কনা উখিদনবা মাবু ইথাদা কোনশিঞ্জ ইন্নফিনা কুপশিঞ্জদুনা ইমুং তন্না পুশিল্লকখি।

পুখ্রিদগী শোক্লকপা ঈশিংগী বালতিনদু চাকশঙ য়ৌরুদনা ঐনা ঐগী কাদা হান্না মাবু পুশিন্দুনা, হান্নবা কাংখল থাথরবা ফমুংদা কনা খঙখিনি কীজনা তুমিন লোৎহল্লম্মী।

চাক তোকপা ঙাইঙমখিদে। ঐবু ইনেনা নমদুনা লোইশিন খমজিনবা য়াওহনখিদে, মদুনা ঐঙোন্দা ফমুংদা লৈহৌরিবা মাগী ঈখৌ লাংবা হেনলকখি। তঙাইফদনা তৌবা য়াবা খরা তৌদুনা ইনেগী মতেং পাঙলম্লগা ঐ তুম্লরগে হায়দুনা ঐগীনি হায়রিবা কা তন্না ঙাইঙমদনা চংলকখি। মাগী মনাক্তা ঈখৌ লাংনা। থোঙগী পুনা চেৎনা থাজিল্লি। অদুগা মথুম–মরাং হৌরবা থমোয়না জগোই শাদুনা মাগী মনাক তন্না চেনশিল্লি, ফমুং তন্না। মাসু ঐবু মোমোন নোক্তুনা ঙাইরম্মী। ঐনা মাবু কোনখত্তুনা ঙাইঙমদনা চুপ্পী, মানসু ঐবু নুংশিনা চুপ্লকই।

হে! ঐগী থা–নঙমদ্রবা মরুপ, নংনা ঐগী চিনবান্দা উৎ ওল্লি, ঐগী থমোয়না নংগী নুংশি মৈচাক্কী মৈখুদা কাহৎলি। নংবু ঐগী অশেংবা থা–নঙমদ্রবা মরুপ হায়বদুরনে? নত্তেদা – নংদি নতাৎ হৈবা 'চুরুপ' হায়বদু ওইরমাল্লেদা! নিশা পুবা 'চুরুপ'!!

## শৈরেং

### মেরাগী থশি

*–ব্রজমহোন কোন্সম*

নিংশিংলি অদুঙৈ মেরাগী থশিদো।
থাজবগী লিপন্না মাঙদ থা,
ঙাইজখিবা নুমীৎতো খৌরাংনা।
ইমানা মালেমদা খোংদারক্কদবা,
মচাশিংগী শঙ্গাইদা।

নুমিৎতুগী মাংওইনা,
অমোৎ অকাই লৈহন্দা
য়ুমথোং খুদিং, খুঙ্গং–শহর খাক্তনা,
মকে শেমলি লৈতেংলি।
খুরক হাঙদে কৈথেলদা,
লৈনরী য়োন্নরী শেৎন–চানবা,
খুদোল তন্নবা।

শনারৈ কৌবী লৈরাংশু
লৈশাৎ তমলরে মালেমদা
ইমাগী থৌগলদা য়াওবা নংনবা

কোরৌনা ময়ুম চংখিবা,
অমম্বনা মালেমবু কুপশিল্লকপা,
থৌগলগী পুংজা য়ৌশিল্লকপা।

নুপা–নুপী, অহল–অঙাং খাক্তনা,
অশেংবা ফিজোল শেৎতুনা,
থৌগলগী পোৎলম পুথোক্তুনা,
ওকচরী তরামনা
লনগী লাইরেম্বী ইমাবু।

লম্বী–শরক, লৈরক–খুল্লক,
থাওমৈনা পরেং–পরেং
পুক্লীং, ৱাখল, থম্মোই,
পূন্নমক ঙানখরে

অমম্বগী মফম লৈতরে
থাবল থোক্তবা ঙসিগী মালেমসে।

মীপূম খুদিং থৌনিজরী,
লন–থুম, মচাক–মরল হেনগৎনবা।
পীনহৈবী ইমাগী মফমদা।
অৱাবা পূম্বা কাওদুনা
নুংঙাইবা ঙাক্তবু নিংশিংদুনা,
বোম্বুলা থারী, মৈকাপ্পীসু কাপলি।
পেনবীনবগী ইমানা।

লৈচিন নোংফাই থাংদ্রবা আতিয়াদা,
মশিং থিঙমদ্রবা থৱান্ন কল্লকচরী।
তাঞ্জাদুগী নিংথিবা মালেমগী,
মশাগী ফজববু কাওথোক্তুনা।

পুংজাদুদনি।
থাওমৈগী মঙালনা য়ৌদবা,
অমম্বনা কুপলিবা, খুনগী চিদাইদা,
নাইতোম লেপলিবা শোল্লবা খাংপোক্কী,
অহোবা ফকলাংদগী লিৎথোরকপা
খৌগংলবা মৈরী অমখক
উরী অরাপ্পদা।

মৈরীদুগী মতুংদা খুউ, খুদক্লা,
খুবাং চাংজৌ লোন্ননা,
চরা নোংখন্নরীবা, পিক্লীবা,
মপারী মমোমশিংগা লৌহননা,
মীৎলু পীরাং ইহৌনা
ঙসি শিন্থা চৎখিবা
মশাবী মানা তেক্ত –কায়দ হল্লক্তুনা
চরা অমতং ফংমীন্নবা,
মচাশিংবু কোঞ্জদুনা,
মীৎকুপ অমতং পোৎথাজবা
অসিমতং নিজখি,
পীনা হৈবী ইমাগী মফমদা।

### ইমিং

*– সোবীতা বাচস্পতি*

ইমা, ঐগী ইমিংদি
কৌই নুপী হায়বদমক।
সুদে অনী নত্ত্রগা অহুম
করিগী অমুক কৌহনবিরি তত্তনা
'অবলা' নত্ত্রগা 'উরিরৈ'
ঐগী ইমিং লৈত্রিগুম।
নঙনা নমদুনা পীরিবা
মপোকসিমগী ইমিং
নচানা পামজদে।
মিং 'সিনা ওইহল্লে
তাঙল' পূন্সিসিবু
চেনা শাবা গল্লাগী লৈ।

### তক্তা তকসনু ঐ তৌগেকো

*– কে এম খুমন*

কয়াদা কন থৌরবা মীওইনো!
তকপদগী শিখ্রবদি করি তৌদৌরিবা?
খোংলগা খাংগনি লেমনা থারোই
হৌজ থেংখংশিং খোংদুনতা লৈরি
তম্পাক্কী মীওইশিংদি লেন্নবু থাদরি
মৈবু থাবনে গাড়ীবু থুগাইবনে
কনা কনাবু লৈবগে কম্বিনবা?
মনা পংলবা থৌনা ফবশিং
মখোল থোক্লা মখোংবু থাংখিদরে
মহৈ হৈরবশিং, মরোল থোকখিদ্রে
লৈবাক কল্লনি থোক্লকখিবশিং মাংখরে
ইরমদম কনগনি চারা হেল্লমবীসু
মবুক থন্না চাবা হৌখরে
নকশিল্লক্লে পিছ একোর্দ গাড়ীদো
তকখাইরগে ৱাশকখ্রে একোর্দ ড্রাইবরদুনা
থৌনা ফবা মন্ত্রিশিং চোংথোরকই
খেঞ্জেল তপ্না লাওরি তাদনবা
তক্তা তকসনু ঐখোয় তৌগেকো!
করি তৌরক্কদগে য়েংবা তারিব্রা?

## তাবুনুংদগী

*(লৈখিদ্রবা রাজকুমার মধুবীর মণিপুরগী শকনাইরবা কবি শিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্ল মণিপুরী অমদি ইংগ্রাজী অনীমক্তা খূৎ থারম্মী। ঙসিগী ওইনা কবি অসিনা ইবা শৈরেং ''লম্বেল'' তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### লম্বেল

চৎলুরনু লম্বেলদুদা নথন্নতা
উররোই কনাসু লৈরমলরোই।

করিগী হংলিবনো লম্বেলদো অসিরা হায়না
ফনা তোয়না চৎখ্রবদাই নহাকপু সিদা
মান্নিনে মান্নি লম্বেলদুবুদি মসিনি, অদুবু
করি কান্নগদগে য়ৌরুদুনা পম্বুংদুদা হৌজিকপু।

নরূপ নপাং নহাক্কী শান্নরোয় খিবিকতো
চৎখ্রে ঙন্না মফমদু থাদোক্তুনা নীংঙমদা
পাঙথোকলম্লগা হনখ্রে মকোকথোংগী শিন্থা
ফংলরোই উবা অমত্তসু নঙনা পুন্সিদা।

করিগী শিন্থরি মিৎলুদা নীঙমদ পিরাং?
করিগী কপলুনি পুন্সিসে মৈচাক্লা ওইরবদা?
কায়রবা নূংনি থম্মোইসে নঙগী ঐগী
অদুবু কৈদৌনি হৌজিক অরোইবা পূংজা লাক্লবদা?

*রাজকুমার মধুবীর*

## মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**৮. আশা লৈতবা মীদি শিরবগুম্বনি।**
– মীওইবা খুদিংমক আশাগী মঙালনা হিংনরিবনি, নৎত্রবদি অশিবগা পাংখক্লি।

**৯. আক–পাক নাইদবা**
– হৌন–লোনচৎ খঙদবা।

**১০. আক–পাক নাইদবা মীবু মথোঙ হকপরা।**
– হৌন–লোনচৎ, খঙদ্রবা মীদি জুগোৎ চাবা হৌনদে।

**১১. আ–দা**
– অরাপ্পদা, থাইনগী, মতম কুইরবগী।

**১২. আ–গী**
– অরাপ্লগী, থাইনগী মতম কুইরবগী।

**১৩. আথা কায়না**
– নীংবা কায়না, নীংঙমদনা।

**১৪. আন্দোলন হৌবা (আন্দোলন তৌবা)**
– মীয়াম পূন্না হৌদুনা ৱাকৎপা। মীয়ামগী য়ানীংদবা ফোংদোকপা।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

## চানক্য নিতি

– অশিংবা মীনা মতম, মরূপ, মফম, অরাকপা, চাদিং মশামক কনানো, অদুগা মাগী শক্তি কদাইদগী ফংবনো হায়বদু মতম পূম্বদা খন্দুনা লৈগদবনি।

– পোকপিবা, দিক্ষা গুরু, শিক্ষা গুরু, চাক থাকপিবা অমসুং অকিবদগী ঙাকপিরিবা মঙা অসিবু ইপানি খঙ্গনি।

– নিংথৌগী নুপী, গুরুগী নুপী, মরূপকী মমা, মতুগী মমা অমসুং অপোকপী মমা মঙাসিবু ইমানি খঙ্গনি।

– দ্বিজশিংগী মৈনা লাইনি, মুনিশিংগী থম্মোইনা লাইনি, ৱাখল থেনবশিংগীনা মূর্ত্তিনা লাইনি অদুগা মান্ননা উরবশিংদনা মফম খুদিংদা লাই লৈ।

– দ্বিজশিংনা অগ্নি(মৈ) বু গুরু ওই, বর্নগী গুরুনা ব্রাহ্মণনি, নুপীগীনা মপুরোইবনা গুরুনি, য়ুম পানবশিংগীদি অতিঠিনা গুরুনি।

– সনাবু তক্লগা, কক্লগা, মৈ থারগা অমসুং নুংথংনা ফুরগা মওং মরি অসিদা চাং য়েংনবগুন্না মী অমবুসু মাগী থাদোকপা ঙম্বা, লমচৎ মগুন অমসুং থবক্লা মরম ওইরগা চাং য়েংনৈ।

– অকিবনা লাক্ত্রিবমখৈদি কিগদবনি, লাক্লবদি (থেংনরবদি চিংনদনা মায়োক্লৌ।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## মণিপুরি পাখোং

৫১. খ্বাইদগী পিকপা শা–
৫২. চিংঙ চিংঙগা তেনবা–
৫৩. তলব চাদবা অমিন–
৫৪. থংনবা শিরগা হরাওবা–
৫৫. মতিন্না মচিঞ্জাক তানবা–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (২২-১০-২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা**

৪৬. ইংখোন্দা ৱা মতোন হায়থবা
৪৭. খোংবান তৌবা
৪৮. হৈবী অকংবা
৪৯. চোংগাং
৫০. মোংবা

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** উরীংগী দাকফম কোকহনবিগে হায়রবদি?**

– উরীং হায়বসি লায়না মখল অমনি হায়বসু ময়াদবা, নত্তে হায়বসু হেক ঙমদবা ... লায়েংগী থোইদোকপা হিদাকসু লৈতবা, মথন্তসু মফজখিবা, ফখ্রোদনা হায়রগসু হেক ময়াদবা পোৎশক অমনি। করিগুম্বা মতাংদদি, থুংলম্বা উরীংদুনা ফখ্রগসু মদুনা মায়থোঙদা পীরম্বা দাকফমশিংদি হূ তরেৎ খাবমখৈ তুং–কোইনা লৈনহৌবসু কয়া'ম য়াওনরি। মরূ ওইনা ইনখৎলক্লিবা অমদি মপূঙ–মরৈ ফানরক্লবা শাবী–শানৌশিংগী মরক্তদি ওন্থোক্লা খোইদৌ থীৎপা থৌওংনি। অদুন্নমক–

১. অশংবা মচুগী হৱাই মঙ্গল মরুগী মকুপ (বেসন) চামচ মঙা, ২. চম্প্রা মকু কংহল্লগা শুবা পাউদর চামচ মঙা, ৩. কোমলা মকু অকঙবগী পাউদর চামচ অনী, ৪. চন্দন পাউদর চামচ অহুম, ৫. নীম মনা অকঙবগী পাউদর চামচ অনী, ৬. কর্পুর পাউদর চামচ অমা, পূন্না নীংথিনা য়ানশিন্নবিরগা কন্টেনর অমদা হাপচীনদুনা থম্বিয়ু। মদুদগী নুংতি নুমিৎ খুদিং চামচ অমমমগী চাংদা লৌথোকপিরগা 'রোজ ৱাটর' য়ানশিন্দুনা নপ–নপ লাউনা নঙবা মোলোম শেম্বীয়ু। মদুনা উরীংগী দাকফম লৈরিবা মফমশিং অদুদা খূৎশানা কোইলৈ–লৈনা তৈবীরগা মিনিট তরারোম থম্বিয়ু অদুগা অঙৈংবা ঈশিংনা তাথোকপিয়ু। নুমিৎ খর কুইনদি চঙগনি হায়ববু পামজদবা উরীংগী দাকফমদুদি শোয়দনা কোকচরক্লগনি।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকপা)*

### চৎনবী

*– এল ইবোতোন সিংহ*

চৎনবী, খুন্নাইগী চৎনবী,
চৎনবীদা ঐখোয় হিংবনি।
অরিবা চৎনবীগা ঈরোয়ননা,
অনৌবা কয়া অমা থেংননা,
চেল্লি পূন্সি ঈচেল লেপ্তুনা।
খঙদোকউ অফবা ফত্তবা,
থিরুনু অরিবা অনৌবা।
ফত্তবা কয়া খন্দোকসি,
অফবশিং অদুতা লৌশিনসি।

অরীবা চৎনবীশিংদগী
ফত্তবা কয়া খন্দোক্লা,
অনৌবা চৎনবীশিংদগী
অফবা কয়া লৌশিন্না,
অনৌবা চৎনবীশিংদগী
অফবা কয়া লৌশিন্না,
শেন্নসি হৌজিক্কী চৎনবী অমা।
মতমগী খোঙলৈ তূংইন্না
অফবা ঙাক্তা য়েংদুনা,
শেমদোক শেমজিন তৌদুনা
হিংসি ঐখোয় নুংঙাইনা,
হিংবগী মহাও লৈনা।